# অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল হায়দরবাদ এফ সীগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীবা নংখ্রে

16 Dec, Wednesday (30th Match)
ATK-Mohun Bagan
vs
FC Goa
Time : 7:30 PM



এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় (ওই) না হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদা বোল পুশিনখিবা

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ২৯শুবা মেটচতা হায়দরবাদ এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীবা নংখ্রে।

এস সী ইষ্ট বেঙ্গল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ মরিদা মেটচ অমখক দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ অহুম মায়থীদুনা পোইন্ট ১ ফংবগা লোয়নবা টিম ১১গী কম্পিটিসন অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি। ওরিষা এফ সীসু শুপ্ন গী পোইন্ট ১খক ফংলিবনি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না ফজবা হেনবদগী ১০শুবদা লৈরিবনি।

অমরোমদা, হায়দরবাদ এফ সী মমাংগী মেটচ ৪ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা অহুম দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাং খরা হেনখি। মদুগী কান্নবা লৌরদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা জেক্স মাঘোমানা ক্লব অদুগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মমাংগী মেটচ মরিদা পাঞ্জল অমত্তা চন্দনা লাকখিবনি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী মাটি ষ্টেনমেননা পীরকপা বোলদা জেক্স মাঘোমানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবনি। অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু সান্তানানা কাওবদা চনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা ইক্কেলাইজর অদু হায়দরবাদনা ফংবা ঙমখি। পেনাল্টি শোয়খিবা এরিদেন সান্তানানা টিম অদুগী ফ্রী কিক্ অমগী বোল অদু হেদ তৌশিন্দুনা ৫৬শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ইক্কেলাইজর অদুগী মতুং মিনট অমফাওফাদ্রিঙৈ হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী কোলাকোনা পীরকপা বোলদা এরিদেন সান্তানানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি। মখা চখরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী হালিচরন নারজারিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। অদুগা ৮১শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মাঘোমানা ১ হন্দোক্লগা লোইশিনখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 9 | 3 | 6 | 13 |
| 2 | Northeast United FC | 6 | 2 | 4 | 0 | 8 | 5 | 3 | 10 |
| 3 | ATK Mohun Bagan FC | 5 | 3 | 1 | 1 | 6 | 3 | 3 | 10 |
| 4 | Bengaluru FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 9 | 6 | 3 | 9 |
| 5 | Hyderabad FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 6 | FC Goa | 5 | 2 | 2 | 1 | 7 | 5 | 2 | 8 |
| 7 | Jamshedpur | 6 | 1 | 4 | 1 | 7 | 7 | 0 | 7 |
| 8 | Chennaiyin FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 3 | 4 | -1 | 5 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 5 | 0 | 2 | 3 | 5 | 10 | -5 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 5 | 0 | 1 | 4 | 2 | 7 | -5 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 5 | 0 | 1 | 4 | 2 | 10 | -8 | 1 |

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টোর্চ রিলে মীওই ১০,০০০গা লোয়ননা কুমজা ২০২১গী মার্চ ২১দগী হৌনা চেল্লগনি



টোকিওদা ওলিম্পিক ফ্লেম ওফিসলশিংনা চুখৎখিবা (ফাইল ফোটো)

টোকিও, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু চহী ১ য়েথোক্তুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লনবা হোৎনরিবা অসিগী মনুং চন্না মথং চহীগী মার্চ ২৫দগী টোর্চ রিলে পাঙথোক্লগনি।

চহী ১০গী মমাংদা সুনামি অমদি অর্থক্কেকনা কা-হেন্না শোকহনখ্রবা ফুকুসিমাগী অৰাং-নোংপোক থংবা মফমদগী ওলিম্পিককী টোর্চ রিলে অদু হৌগদৌরিবনি। রিলে অসিনা জপানগী মফম অয়াম্বা য়ৌননবা লমজেল্লোয় লিশিং ১০ অমদি ওফিসল লিশিং কয়া অমা য়াওরগা পাঙথোক্কনি হায়না ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী দিরেক্টর জেনরেল য়ুকিহিকো নুনোমুরানা ঙসি পাঙথোকখিবা ওনলাইন ন্যুজ কনফরেন্স অমদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী থবকশিং অদুসু রিলে মনুংদা পূন্না পায়খৎকনি হায়রি। রিলে অদু য়েংবা থোরক্কদবা মীয়াম, টোর্চ পায়দুনা চেনগদৌরিবা লমজেল্লোয়শিং অমসুং রিলে অদুগা মরী লৈনবা ওফিসলশিং অদুবুসু কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংশিংগী মরমদা কুপ্না য়েংশিনগদৌরি।

টোয়োটা অমসুং কোকা-কোলা কম্পেনি অনীনা রিলে অদু স্পোন্সর তৌগদৌরিবনি। মমাংদা রিলে অসি মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অকিবা অসিগা লোয়ননা শেল তিংবা হন্থনবগী পান্দমদা রিলে অসি তোকপগী ৰাখল্লোন লৈরম্বনি। অদুবু কম্মিটিনা জপান লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাং অমদি ভেক্সিন পুথোকপা হৌনরবা মতম অসিদা রিলে অদু মখা তানা পাঙথোক্লনবা শিল্লকখি।

মমাংদা য়েথোক্ত্রি ঙৈদা পান্দম থমখিবা রিলেগী নুমীৎ ১২১নি অদুম্মক হন্দক্কী অসিদসু পাঙথোক্কদৌরি। রিলে অসিনা জপানগী অপূনবা ম্যুনিসিপালিটি ৮৫৯ ফাওরগা চৎকদৌরি। জপানগী খ্বাইদগী ৰাংবা টাৱর ওইরিবা দি টোকিও স্কাই ট্রি ঙসি সনা মচুগী মৈনা পুমঙাল ঙালহনখি। মদুনা রিলে হৌগদবা নুমীৎ ১০০নি ৰাৎলি হায়বদু তাক্লি।

টোকিওগী গভর্ণর য়ুরিকো কোইকেনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন খরা য়েন্থোকপা হৌরে, অদুগা শীজিন্নবসু হৌরে হায়না পাউগী এজেন্সী অমগা ঙরাং ৰারী শানবদা ফোঙদোকখি।

মীওই মিলিয়ন ১২৫ লৈবা জপানদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা হৌজিক ফাওবদা শুপ্নগী মীওই ২,৫০০খক লাইচৎ অসিনা শিহল্লি।

নাকল অমরোমদা, জপান শীনবা থুংনা লৌখিবা পোল অমদা জপানগী মীশীং চাদা ৩০নদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি তোকপা পাল্লি। অদুবু এন ঐচ কে হায়না খঙনবা জপানগী নেসনল ব্রোদকাষ্টরদা লৌখিবা পোল অদুদা চাদা ২৭না মথংগী চহীদা ওলিম্পিক্স গেমস অসি পাঙথোকপা পাল্লি। চাদা ৩২না কেন্সেল তৌবা পাল্লি। অদুগা চাদা ৩১গী কাঙলুপ অদুনা মখা তানা য়ৈথোকপসু পাল্লি।

অনৌবা দাটা অসিনা নৌনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোরকপদগীদি মমাংদা শরুক য়াল্লবা মীওইশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস তোকপগী ৰাখল্লোন লৈরম্বা অদু হৌজিক্কি নাথৈরকপগুম তৌরি। ওলিম্পিক ওর্গনাইজর অমদি জপানগী ওফিসলশিংনা মখা তানা ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোক্তনা পাঙথোক্কনি হায়না থাজবা ফোঙদোক্লি। শান্নবা মতম য়ৌশিল্লকপদা লাইচৎ অসি মপূং ফানা লাকশিল্লগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# সেল্টা ভিগোনা কাদিজ থোইদুনা ৭শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৰাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোনা কাদিজবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লিগ টেবলদা থাক তরুক হাইগৎতুনা হান্না ১৫শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ৯শুবা পোজিন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি মায়পাকখিবা অদুনা সেল্টা ভিগো পুন্না মেটচ ১৩দা পোইন্ট ১৬ ফংলগা বর্সেলোনাগী পোইন্ট ১৭তগী অমা হন্থরগা লৈবা ঙল্লিবনি। অমরোমদা মায়থীহৌরগা কাদিজগী টিম হান্না মেটচ ১২ শান্নবা লোয়শিনখিবদা পোইন্ট ১৮ ফংলগা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবা অদুদগী অহোংবা লৈখিদ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী সেল্টা ভিগোনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শুপ্নগী ৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় আয়েগো অস্পাসনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট নোলিটোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখাতারকপা অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপদা সেল্টা ভিগোনা অহেনবা পাঞ্জল অহুম অমসু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা আয়েগোনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা ৪৩শুবা মিনটতা আয়েগোনা পীখিবা বোল অমদা ফ্রান বেলট্রাননা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তবদা সেল্টা ভিগোনা কাদিজপু পাঞ্জল ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা টিম অদুগী দেনিস স্বারেজনা পীরকখিবা বোল অমদা ব্রাইজ মেন্দেজনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা কাদিজ পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

# কুমজা ২০২২গী মার্চ ৪দগী ন্যু জিলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী সেদ্যুল ফোঙখ্রে

ৱেলিংটন, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চ থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু চহী ১ হেন্না য়েথোক্তুনা কুমজা ২০২২গী মার্চ ৪দগী হৌরগা এপ্রিল ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা সেদ্যুল ঙসি লাউথোকখ্রে।

ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ অসি ন্যু জিলেন্দগী সিটি ৬তা পুন্না মেটচ ৩১ শান্নগদৌরি। য়ূম্বু ওইরিবা ন্যু জিলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইন্দিয়া মাংজৌননা ক্লালিফাই ওইরবনি। লোয়ননা লেমহৌবা টিম ৩গী ক্লালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু শ্রি লঙ্কাদা মথং চহীগী জুন ২৬তগীনা জুলাই ১০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না আই সী সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নীশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অসি চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপনি। হায়রিবা চহী অদুদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্কী ওইনা টিম ৮না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নরগা টিমশিং অদু অমগা-অমগা লোইনা থেংনগদৌরি। মদুদগী খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্বা টিম মরি অদুনা সেমীফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগনি।

কুমজা ২০১৭কী ৱর্ল্ড কপ অদুগী শেলগী মনা অদুদগী হন্দক্কী অসিনা চাদা ৬০ হেনগৎলি। পুন্না যুএস দোল্লর মিলিয়ন ৩.৯৮গী শেনফম হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক-মথং তাবশিং অদুদা পীগদৌরি। কুমজা ২০২২গী মার্চ ৪দা অহানবা ৱর্ল্ড কপ মেটচ অদু য়ূম্বু ন্যু জিলেন্দনা ক্লালিফায়র টিম অমগা শান্নরগা হৌদোক্কনি। অহৌবা মেটচ অদু তোরঙ্গা সিটিদা লৈবা বে ওভেলদা শান্নগদবনি। অনীশুবা মেটচ অদুনা সাউথ অফ্রিকাগা ক্লালিফায়র অমগা দুনেদিন সিটিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওভেলদা শান্নগনি। নুমীৎ অদুমক্তদা অহুমশুবা মেটচ অদুসু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগা শান্নগদৌরি। ইন্দিয়ানা মার্চ ৬তা বে ওভেলদা ক্লালিফায়র টিম অমগা লম্বা তৌনগনি।



ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ট্রোফি

**Bay Oval, Tauranga**
Fri 04 Mar 2022 New Zealand v Qualifier*
Sun 06 Mar 2022 Qualifier v India*
Tue 08 Mar 2022 Australia v Qualifier *
Fri 11 Mar 2022 Qualifier v South Africa*
Mon 14 Mar 2022 South Africa v England*
Wed 16 Mar 2022 England v India*
Fri 18 Mar 2022 Qualifier v Qualifier

**University Oval, Dunedin**
Sat 05 Mar 2022 Qualifier v South Africa
Mon 07 Mar 2022 New Zealand v Qualifier
Wed 09 Mar 2022 Qualifier v England

**Seddon Park, Hamilton**
Sat 05 Mar 2022 Australia v England*
Thu 10 Mar 2022 New Zealand v India*
Sat 12 Mar 2022 Qualifier v India*
Mon 14 Mar 2022 Qualifier v Qualifier
Thu 17 Mar 2022 New Zealand v South Africa*
Mon 21 Mar 2022 Qualifier v Qualifier*
Tue 22 Mar 2022 India v Qualifier*

**Basin Reserve, Wellington**
Sun 13 Mar 2022 New Zealand v Australia
Tue 15 Mar 2022 Australia v Qualifier
Tue 22 Mar 2022 South Africa v Australia
Thu 24 Mar 2022 South Africa v Qualifier
Fri 25 Mar 2022 Qualifier v Australia
Sun 27 Mar 2022 England v Qualifier
Wed 30 Mar 2022 Semi-Final 1

**Eden Park, Auckland**
Sat 19 Mar 2022 India v Australia*
Sun 20 Mar 2022 New Zealand v England

**Hagley Oval, Christchurch**
Thu 24 Mar 2022 England v Qualifier*
Sat 26 Mar 2022 New Zealand v Qualifier
Sun 27 Mar 2022 India v South Africa*
Thu 31 Mar 2022 Semi-Final 2*
Sun 03 Apr 2022 FINAL*
*DENOTES DAY/NIGHT

# ভিরাট কোহলি আই সি সি টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ২শুবদা লৈখ্রে

দুবাই, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

পরিং অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অনী চেটেশ্বর পুজরা অমসুং অজিনকয়া রহানে মথংশিংনা ৭শুবা অমসুং ১০শুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি। ভিরাট কোহলিনা পুন্না পোইন্ট ৮৮৬ ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা নম্বর ৱান বেটসমেন ওইরি। মালেমগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিব স্মিথনা পোইন্ট ৯১১ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন কেন ৱিয়মসননা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। নহা ওইরিবা অষ্ট্রেলিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন মার্নস লাবুসাঙ্গেনা মরীশুবদা অদুগা পাকিস্তানগী বেটসমেন বাবর আজমনা মঙাশুবা লোয়ননা শোক্তুনা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন দেবিদ ৱার্নরনা তরুকশুবা থাক্তা লৈরি।

ইন্দিয়াগী চেটেশ্বর পুজরানা পোইন্ট ৭৬৬ ফংলগা তরেৎশুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি। নিপানশুবদা ইংলেন্দগী বেটসমেন বেন ষ্টোক্সনা পোইন্ট ৭৬০ ফংলগা লৈরি। লৈবাক অদুমক্কী বেটসমেন জো রুটনা পোইন্ট ৭৩৮ ফংলগা মাপনশুবা থাক্তা অদুগা ইন্দিয়া টেষ্ট ক্রিকেটকী ভাইচ কেপ্টেন অজিনকয়া রহানেনা পোইন্ট ৭২৬ ফংলগা ১০শুবা থাক্তা লৈরি।

আই সি সিগী বোলরশিংগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী জসপ্রিট বুমরা অমসুং রবিচন্দ্রন আশ্বিননা নিপানশুবা অমসুং ১০শুবা থাক্তা লৈরি। জসপ্রিট বুমরানা পোইন্ট ৭৭৯ ফংলি অদুগা রবিচন্দ্রন আশ্বিননা পোইন্ট ৭৫৬ ফংদুনা লৈরি।

কাংলুপ অসিগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর পেট কম্মিনসনা পোইন্ট ৯০৪ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। মহাক্কী মথংদা ইংলেন্দগী ষ্টোর্ট ব্রোদ অমসুং ন্যু জিলেন্দগী নিল ৱেগনরনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা থাক্তা লৈরি। ওল রাউন্দরগী ওইনসু ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জদেজা অমসুং আশ্বিন মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা লৈবা ঙল্লি।

টেষ্ট টিমদা ইন্দিয়া ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী মথংদা অহুমশুবা পোজিসন কনবা ঙল্লি। ইংলেন্দনা মরিশুবদা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ এয়রথিংস মাষ্টর্স ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রি ফংখ্রে



এয়রথিংস মাষ্টর্স ওনলাইন চেছ য়াওগদৌরিবা ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণ

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): মমাংদা এসিয়াগী চেছ চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ থা অসিগী ২৬তগী হৌগদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ২০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা এয়রথিংস মাষ্টর্স ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবা ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রি ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন য়াওগদৌরি। লোয়ননা চেম্পিয়ন চেছ টুর অসিগী লীদর ওইরিবা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোসু য়াওগনি। লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ৱর্ল্ড ব্লিটজ নম্বর ৱান গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাসু য়াওগনি।

পূন্না শান্নরোয় ১২না লম্বা তৌনগদবা চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি নেদরলেন্দকী নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরি, রসিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি, অর্মেনিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ন, স্পেনগী চেম্পিয়ন গ্রান্দমাষ্টর দেবিদ এন্টোন গুইজারো, ফ্রান্সকী নম্বর ৱান শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেভ অমদি মমাংদা ৱর্ল্ড কপ টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর তৈমুর রাজাবোভ য়াওরি। রাজাবোভ মমাংগী ইভেন্টতা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮গী মনুং চনখিবনি। হান্না ৱর্ল্ড রেপিদ চেম্পিয়ন ওইরম্বা রসিয়াগী দানিল দুবোভসু ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়াগদৌরি। অদুগা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অলেকজেন্দর গ্রিচুকসু য়াওগনি।

# প্রো হোকি লীগতা উৎখিবা থাক অদু য়ৌননবা থবক খূদিংমক পায়খৎপা লোইরে : চীফ কোচ গ্রাহম রিদ





ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিংদা পাউতাক পীরিবা চীফ কোচ রিদ

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১৫(এজেন্সী): বেঙ্গলুরু সিটিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা চয়োল ২০ হেন্না চথরকপা হোকিগী নেসনল কোচিং কেম্প অদুদা শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা হোকি প্রো লীগতা শরুক য়াবা মতমদা ইন্দিয়ানা উৎখিবা ফজবা মশান্না অদুগী থাক কোচিং কেম্প অসিদা য়ৌবা ঙম্লে হায়না নুপাগী হোকিগী চীফ কোচ ওইরিবা গ্রাহম রিদনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপাগী হোকি শান্নরোয়শিংগী কোর গ্রুপকী কোচিং কেম্প অসিদা গ্রাহম রিদনা অপেনবা ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লোকদাউন মনুংদা শান্নরোয়শিং অসি শান্নদনা লৈরকখিবা অমদি ট্রেনিং ফংদনা লাকখিবা মরম্না মশাদা পঙশিনবা অমদি শোথবা কয়া লৈরম্বা অদু হন্দক্কী চয়োল ২০গী কোচিং কেম্প অসিদা মপূং ফানা ফুগৎপা ঙম্লে হায়না কোচ অদুনা মখা তাখি।

পাঙ্গলগী চাংয়েং, হকচাংগী অরূম্বা কন্ট্রোল তৌবা, লমজেল য়াঙবা অমদি হকচাংগী মসল শীজিন্নবগী চাং অদু নীংথিনা চেক তৌদুনা লৈরকপদগী শান্নরোয়শিং অসি হান্না লৈরম্বা ফীভম অদুদা হঞ্জিল্লক্লে হায়না লৌবা য়াই হায়না কোচ অদুনা ফোঙদোকখি।

শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী উৎলিবা থৱায় য়াওবা অমদি পূক্লিং চঙবগী থাক অদুদা কোচ গ্রাহম রিদনা অপেনবা অদু ফোঙদোকখিবনি। বাইও সেক্যুর ইনভাইরনমেন্ট অমগী মনুংদা থা ৪ রোম সোসল এক্টিভিটি অমত্তা লৈহন্দনা শান্নরোয়শিং অদুনা ট্রেনিং চথবা অদুদা মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা মতমদদি কেম্প পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদসু চয়োল লোইশিল্লকপদা ময়ূমদা হনবা নৎত্রগা মরূপ-মপাং উনবগী মতমসু ফংই। অদুবু হন্দক্তি মদু লৈতে।

নীংশিং কুমওল
১২ শুবা
"নীংশিং কুমওল"

"নীংশিংবসিননি ঐনা ঙসি লেপ্লিবসিসু
তারক্লিবা মীৎলূগী পিরাংসিদি
তাজরসনু অসুম্মক মনিং তম্না..."
থাজদনা মঙগুম ঈরাক্নরি পূন্সিসে
খোঙথাং খূদিং মীৎকুপ খূদিং,
ৱাহংতা ওইদুনা লৈরি ঙসিসু
লাক্লরোইদবরা অমুক হন্না,
লেপ্লররোইদ্রা ইমাঙদা ঐবু লমজিংনবা,
তারি নাপ্পসিদদি তত্তনা
নঙগী খোইথুন্না নুংশি ঈশৈদি,
লাপথোকউ য়াদ্রি ঐগী ৱাখলদগীদি
নফমদগী মীৎকুপ অমত্তসু;
হিংলি নঙনা ঐগী পান্থে ওইনা
অমম্বদসু ঙাল্লি মৈরা ওইনা,
ওইরি চৈশু অনানবা লম্বীদসু
অদুনবু হিংলিবনি ঐনা মঙলৈবাক্তা;
ঙসিদি নহাক্না লৈখিদবা চহী ১২ মপূং ফারেদো,
লাইবক ফবা নঙদি ঈংনা-চিক্না
মপূগী খূয়াখাদা লৈদুনা নচা-নশু
ঐখোয় খ্বায় খিবিকপু মতম খূদিংদা
ঙাক শেনবীয়ুকো, ওইজগে কাউজদবা
নঙগী মিংলেন মৈতান্না ৱাখেদ্রিফাও...।।

নহাক্কী সেবাদা ঃ
লোইতোংবম ওংবী সৌবাম সোবিতা দেবী
অমদি মচা-মশুশিং
ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, ইম্ফাল।।
HL-P/8262/16



EMPLOYMENT NEWS

☞ 20 to 29 yrs কী মনুংদা লৈবা Office Asst. অনী পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Driver 2, Mechanic Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/ Mistry 2, অমসুং চেক্কী Mistry 2, Jugali 2 পামজৈ।

Please Contact :
L.G. Samurou, Brs
Mobile No. 8413973840

HL/B/6497/3/11-31/12





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com